য়ু এস ওপন গ্রান্দস্লাম টেন্নিস টুর্নামেন্ট ২০১৬

# য়ু এস ওপনগী নুপাগীদা স্বিজরলেন্দগী ষ্টান ৱারিঙ্কা অমদি নুপীগীদা রোমানিয়াগী সাইমোনা হালেপ অহুমশুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙমখ্রে


ফ্রান্সকী আলিসান্দ্রো জিয়ানেসিবু ২ শুবা রাউন্দদা থোইবা ঙমখ্রবা স্বিজরলেন্দগী ষ্টান ৱারিঙ্কানা বেকহেন্দ ভোলি তৌবা

*ন্যু য়োর্ক, সেপ্তেম্বর ০২ঃ*

য়ু এস এ দা চথরিবা চহী অসিগী অরোইবা গ্রান্দস্লাম টেন্নিস টুর্নামেন্ট ওইরিবা য়ু এস ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্টতা নুপাগী টুর্নামেন্ট অসিগী ৩ শুবা সিদেদ শান্নরোই ওইরিবা স্বিজরলেন্দগী ষ্টান ৱারিঙ্কা অহুমশুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙমখ্রে। নুপীগীদা টুর্নামেন্ট অসিগী ৫ শুবা সিদেদ শান্নরোই ওইরিবী রোমানিয়াগী সাইমোনা হালেপসু অহুমশুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙমখ্রে।

ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা নুপাগী অহুমশুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা স্বিজরলেন্দগী ষ্টান ৱারিঙ্কানা ইটালিগী এলেসান্দ্রো জিয়ানেসিবু ষ্ট্রেট সেট অহুমদা ৬–১, ৭–৬ (৭–৪), ৭–৫ তা থোইদুনা অহুমশুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙমখি।

অহানবা সেট অদুদা ষ্টান ৱারিঙ্কানা য়াম্না লায়বা মওংদা ৬–১ দা থোইবা ঙমখি। অদুবু অনীশুবা অমদি ৩ শুবা সেট অদুদদি মহাক্কী লম্বা ওইখিবা ইটালিগী এলেসান্দ্রো জিয়ানেসিগী মায়কৈদগী অকনবা লম্বা পীরক্তুনা ৭–৬ (৭–৪) অমসুং ৭–৫ তা ষ্টান ৱারিঙ্কানা থোইদুনা অহুমশুবা রাউন্দদা জর্মনিগী এ জেরেবপু ৬–৪, ৬–৪, ৫–৭, ৬–২ দা মায়থিবা পীরম্বা বৃটেনগী দেনিয়েলগা লম্বা তৌনরগনি।

চথরিবা টুর্নামেন্ট অসিগী নুপীগী কাঙলুপ্তা টুর্নামেন্ট অসিগী ৫ শুবা সিদেদ শান্নরোই ওইনা শরুক য়ারকখিবা রোমানিয়াগী সাইমোনা হালেপনা জেক রিপব্লিক্কী লুসি সফারোভাবু ষ্ট্রেট সেট অনীদা মায়থিবা পীখি।


জেককী সফারোভাবু মায়থিবা পীদুনা ৩শুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙমখ্রবী রোমানিয়াগী হালেপ

অহানবা সেট অদুদা সাইমোনা হালেপনা লুসি সফারোভাবু য়াম্না কোম্না ৬–৩ দা থোইদুনা সেট অমা মাঙজিল থাদুনা চংখি। অনীশুবা সেট অদুদসু হালেপনা সফারোভাবু ৬–৪ দা থোইদুনা অহুমশুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙমখিবনি। সাইমোনা হালেপনা মহাক্কী অহুমশুবা রাউন্দগী মেটচতা নেদরলেন্দসকী রিচেল হোঙ্গুকেম্প য়াম্না কোম্না ষ্ট্রেট সেটতা ৬–২, ৬–৪ দা থোইরম্বী হঙ্গেরিগী টিমিয়া বাবোসকা লম্বা তৌনরগনি।

নুপাগী কাঙলুপ্তা অতোপ্পা অহুমশুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙমখ্রবা শান্নরোইশিং অদুদি স্পেনগী মার্সেল গ্রেনোল্লর্সপু ষ্ট্রেট সেট ৩ দা থোইরম্বা বৃটেনগী টুর্নামেন্ট অসিগী ২ শুবা সিদেদ শান্নরোই ওইরিবা এন্দি মুরেনি।

অতোপ্পা নুপাগী অনীশুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা জপানগী কৈ নিসিকোরিনা রুশিয়াগী কারেন খচানোভপু ৬–৪, ৪–৬, ৬–৪, ৬–৩ দা থোইদুনা অহুমশুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙমখি। অমরোমদা ওষ্ট্রেলিয়াগী নিক ক্রাইগিওসনা মহাক্কী অনীশুবা রাউন্দগী মেটচতা আর্জেন্টিনাগী হোরাসিও জেবালোসপু ৭–৫, ৬–৪, ৬–৪ দা থোইদুনা অহুমশুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙমখি।

কাঙলুপ অসিমক্কী অনীশুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা ওষ্ট্রিয়াগী দোমিনিক থিয়েমনা লুথানিয়াগী রিকার্দাস বেরাঙ্কিজবু ৬–৪, ৬–৩, ৬–২ দা থোইদুনা অহুমশুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙমখি।

চথরিবা টুর্নামেন্ট অসিগী নুপীগী অনীশুবা মেটচ অমদা ৱার্ল্ড নম্বর ৱান ওইরিবী য়ু এস এগী সেরেনা ৱিলিয়মসনা লৈবাক অদুমক্কী শান্নরোই ভেনিয়া কিংবু য়াম্না লায়না ষ্ট্রেট সেট অনীদা ৬–৩, ৬–৩ দা থোইদুনা অহুমশুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙমখি।

নুপীগী অনীশুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা য়ু এস এ গী ভেনস ৱিলিয়মসনা জর্মনিগী জুলিয়া জে ার্জেসপু য়াম্না কোম্না ৬–২, ৬–৩ দা থোইদুনা অহুমশুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙমখি।

কাঙলুপ অসিগী অনীশুবা রাউন্দ মায় পাক্তুনা অহুমশুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙমখ্রবা শান্নরোইশিং অদুদি বৃটেনগী নাওমী ব্রোদিবু ৭–৬ (১১–৯), ৬–৩ দা থোইরম্বী পোলেন্দগী এগনিস্কা রাদৱাস্কা, ওষ্ট্রেলিয়াগী সমান্থা ষ্টোসুরবু ৬–৩, ৬–৩ দা য়াম্না কোম্না থোইরম্বী চাইনাগী ঝাং সুৱাইনি।

# উরুগ্বেবু মেসিগী পাঙ্গলনা মায়থিবা পীদুনা ৱার্ল্ড ক্বালিফায়রগী লম্বেল য়াৎলি

*মেনদোজা। ক্বিটো, সেপ্তম্বর ০২ঃ*

রুশিয়ানা য়ুম্বু ওইদুনা কুমজা ২০১৮দা পাঙথোক্কদবা ফিফা ৱার্ল্ড কপ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী তোঙান–তোঙানবা লৈবাকশিংনা ক্বালিফাই ওইননবা হোৎনরকপগী টুর্নামেন্ট অমা ওইরিবা সাউথ অমেরিকাগী টুর্নামেন্টতা উরুগ্বেবু আর্জেন্টিনানা পাঙ্গল ১–০ দা মায়থিবা পীখ্রে। ক্বালিফাইং টুর্নামেন্ট অসিগী অতোপ্পা মেটচ অমদা ব্রাজিলনা ইক্কাদোরবু পাঙ্গল ৩–০ দা থোইদুনা ৱার্ল্ড কপ অসিদা অচৌবা খুদোংচাবা অমা থম্বা ঙম্লি।


উরুগ্বেগা শান্নখিবা মেটচ অমদা আর্জেন্টিনাগী মায়কৈদগী গোল চনখিবা মেসি

আর্জেন্টিনাগী সহর মেনে দাজাদা ঙরাং শান্নখিবা রুশিয়াগী কুমজা ২০১৮ গী ফিফা ৱার্ল্ড কপ ফুটবোল টুর্নামেন্টতা শরুক য়াবা ঙম্ননবগী অচৌবা থৌদাং লৌননবা হোৎনরিবা আর্জেন্টিনাগী লিওনেল মেসিনা গ্রুপ অসিগী ক্বালিফাইং টুর্নামেন্টতা উরুগ্বেগা শান্নবদা গোল অমা চন্দুনা পাঙ্গল ১–০ দা মায় পাকপা ঙমখি।

নীংশিংবা য়াবদি ব্রাজিলগী সহর রিও দি জেনৈরোদা হন্দক্তা পাঙথোকখিবা মালেমগী মশান্না অপুনবগী খ্বাইদগী চাউবা টুর্নামেন্ট ওইখিবা সম্মর ওলিম্পিকক্তা য়ুম্বু ওইদুনা ব্রাজিলগী মায়কৈদগী অফবা পার্ফোমেন্স উৎপা ঙমখিদুনা চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখিবনি।

ৱার্ল্ড কপ ফুটবোল ক্বালিফাইংমেটচ অমা ওইখিবা ব্রাজিল অমসুং ইক্কাদোরগা শান্নখিবা মেটচতা ব্রাজিলগী মায়কৈদগী নেমর অমসুং জিজসনা য়াম্না ফজবা পাঙ্গল অমমম চন্দুনা ইক্কাদোরবু মায়থিবা পীদুনা ৱার্ল্ড কপকী শেম–শাবদা অচৌবা মায় পাকপা অমা ওইখি।

সাউথ অমেরিকা ফুটবোল এসোসিয়েসনগী মায়কৈদগী রুশিয়াগী সহর মোস্কোদা পাঙথোক্কদৌরিবা ২০১৮ গী ফিফা ৱার্ল্ড কপ ফুটবোল টুর্নামেন্টতা শরুক য়াগদৌরিবা লৈবাকশিং মতিং থোক্না খনগৎনবগী অচৌবা থৌদাং অমা লৌখিবনি।

ফিফা ৱার্ল্ড কপ ফুটবোল টুর্নামেন্ট অসিগী কুমজা ২০১৪ দা ব্রাজিলনা য়ুম্বু ওইদুনা পাঙথোকখিবনি। মদুদা য়ুম্বু ওইখিবা ব্রাজিলগী মায়কৈদগী হোৎনখিবা থবক থৌরমশিং থাগৎনিংঙাই ওইখি।

এসিয়ান ৱার্ল্ড কপ ক্বালিফাইং ফুটবোল টুর্নামেন্ট

# সাউদি অরাবিয়ানা থাইলেন্দবু মায়থিবা পীখ্রে অমরোমদা ইরান্না কটারবু থোইদুনা ফজবা ফিভমদা লৈরি


ইরান অমসুং কটারগা শান্নরোই ২ না এসিয়ান ৱার্ল্ড কপ ক্বালিফাইং ফুটবোল টুর্নামেন্টকী মেটচ অমদা বোল মুন্ননবা হোৎনখিবা

*টেহরান। রিয়াদ, সেপ্তম্বর ০২ঃ*

এসিয়াগী ফুটবোল শান্নবা লৈবাকশিংগী মরক্তগী কুমজা ২০১৮ দা রুশিয়ানা য়ুম্বু ওইদুনা পাঙথোক্কদৌরিবা ফিফা ৱার্ল্ড কপ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ক্বালিফাইংগী চথরিবা টুর্নামেন্টতা ইরান্না গ্রুপ (এ) দা কটারবু পাঙ্গল ২–০ দা মায়থিবা পীবা ঙমখ্রে। অমরোমদা ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা গ্রুপ (বি) গী মেটচ অমদা সাউদি অরাবিয়ানা থাইলেন্দবু পাঙ্গল ১–০ দা থোইখ্রে।

এসিয়াগী ওইনা ফিফানা টিম থম্লম্বদগী জগা অসিদা অফবা ফুটবোল শান্নরোই কয়া লৈরকপদগী খুদম চাউনা ফংবনা মরম ওইরগা টিম। লৈবাক ৪ ফিফাগী টুর্নামেন্ট অসিদা দাইরেক্ত ক্বালিফাই ওইগদৌরিবনি। মসিগীদমক থা অসিগী ১ দগী হৌরগা মথং চহীগী সেপ্টেম্বর ৫ ফাওবদা এসিয়াগী মকোক থোংবা টিম ১২ না ক্বালিফাই ওইননবা লম্বা তৌনরিবনি।

ঙরাং শান্নখিবা গ্রুপ (এ) গী মেটচ অমদা য়ুম্বু ওইখিবা ইরান্না লৈবাক অদুগী সহর টহেরানদা লৈবা অজাদি ষ্টেদিয়মদা কটারবু পাঙ্গল ২–০ দা মায়থিবা পীবা ঙমদুনা গ্রুপ (এ) দা মাঙজিল থাদুনা চৎপা ঙম্লি।

এসিয়ান ফুটবোল কনফিদরেসনগী ফিফাদা শরুক য়াবা ঙম্ননবগীদমক চথরিবা টুর্নামেন্ট অসিগী গ্রুপ (বি) গী ঙরাং সাউদি অররাবিয়াগী সহর কিং ফাহদ ইন্টরনেসনেল ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা মেটচ অমদা য়ুম্বু ওইখিবা সাউদি অরাবিয়ানা থাইলেন্দবু পাঙ্গল ১–০ দা মায়থিবা পীদুনা টিম অসিসু গ্রুপ (বি) গী পোইন্ট টেবলদা মাঙজিল থাদুনা চৎলি।

এসিয়ান ফিফা ৱার্ল্ড কপ ক্বালিফাইং টুর্নামেন্ট অসিগী ঙরাং অথেংবদা ইরানগী সহর টহেরানদা লৈবা অজাদি ষ্টেদিয়মদা য়ুম্বু লৈবাক অদুগা কটারগা শান্নখিবা গ্রুপ (এ) গী অহানবা রাউন্দগী মেটচ অমদা ইরান্না কটারবু ২–০ দা থোইখিবনি।

মেটচ অদুগী অপীবা মতম মিনিট ৯০ লোইশিল্লবা ফাওবদা পাঙ্গল চন্নদনা লৈনখি। ইনজুরি টাইমগী ৪ শুবা মিনিটতা ইরানগী ঘুসাননেজাদনা অহানবা পাঙ্গল অদু চনখি। মহাক্কী পাঙ্গল অদুগী মতুং টিমমেট জহানবাক্সসনা শান্নবগী মিনিট ৯০ গী মতুংদা পীখিবা অহেনবা মতম অদুগী ১১ শুবা মিনিটতা পাঙ্গল অমগা হাপচিন্দুনা ইরান্না কটারবু পাঙ্গল ২–০ দা থোইদুনা চথরিবা এসিয়ান ৱার্ল্ড কপ ক্বালিফাইং টুর্নামেন্ট অসিগী অহুমশুবা রাউন্দগী গ্রুপ (এ) দা মাঙজিল থাদুনা চৎলি।

চথরিবা এসিয়ান ৱার্ল্ড কপ ফুটবোল ক্বলিফাইং টুর্নামেন্ট অসিগী ঙরাং অথেংবদা সাউদি অরাবিয়াগী সহর রিয়াদতা লৈবা কিংফহদ ইন্টরনেসনেল ফুটবোল ষ্টেদিয়মদা য়ুম্বু লৈবাক সাউদি অরাবিয়ানা পাঙ্গল ১–০ দা মায়থিবা পীদুনা ক্বালিফাইং টুর্নামেন্ট অসিগী গ্রুপ (বি) গী পোইন্ট টেবলদা অনীশুবা পোজিসন্দা লৈবা ঙম্লি।

থাইলেন্দগী মায়কৈদা সাউদি অরাবিয়াগী শান্নরোই অল অবেদনা শান্নবগী ৫৪ শুবা মিনিটতা পেনাল্টি অমগী মতেংনা মেটচ অদুগী অমত্তা ঙাইরবা পাঙ্গল অদু চন্দুনা গ্রুপ (বি) দা ওষ্ট্রেলিয়াগী মতুংদা অনীশুবা পোজিসন্দা লৈরি।

## ইন্দিয়াগী ঘোসল ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌখ্রে

*সাংহাই, সেপ্তম্বর ০২ঃ*

চাইনাগী সহর সাংহাইদা পাঙথোকপা চাইনা ওপন স্কৱাস চেম্পিয়ন্সিপ্তা ইন্দিয়াগী সৌরব ঘোসলনা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে।

ঘোসলনা টুর্নামেন্ট অদুদা ৱার্ল্ড নম্বর ৮ ওইরিবা কলম্বিয়াগী শান্নরোই মিগেল রোদ্রিগেজবু মায়থিবাপীখিবনি। ঘোসলনা মিগেলবু ১১–৯, ৮–১১, ৮–১১, ১১–৯, ১১–৫ দা থোইখি। সেমি ফাইনেল য়ৌননবা ইজিপ্তগী শান্নরোই করিম এবদেলগা শান্নরগনি।

## জাহির খান এম সি সি গী ওনোররি লাইভ মেম্বর হাপখ্রে

*মেলবোর্ন, সেপ্তম্বর ০২ঃ*

ইন্দিয়াগী মতম শাংনা টেষ্ট ক্রিকেট, ৱান দে ইন্টরনেসনেল অমসুং টি–২০ মেটচ কয়াদা শরুক য়াবা ঙমখ্রবা বোল্লর জাহির খান ইংলেন্দগী মমিং লৈরবা ক্রিকেট ক্লব অমা ওইরিবা মেরিলিবোন ক্রিকেট ক্লব (এম সি সি) কী ওনোরেরি লাইভ মেম্বর ওইনা খনখ্রে।

পনবা য়াই জাহির খান্না এম সি সি ওনোরেরি লাইভ মেম্বর ওইবা অসি ইন্দিয়াগী ক্রিকেট শান্নরোইশিংগী মনুংদা ২৪ শুবা শান্নরোইনি।

## ইন্দিয়াগী শান্নরোই ইটি মেহতানা এসিয়ান টুর টেন্নিস টাইটল লৌখ্রে

*ন্যু দিল্লি, সেপ্তম্বর ০২ঃ*

ন্যু দিল্লিদা লৈবা দি এল টি এ কমপ্লেক্সতা পাঙথোকপা য়ু এস দোল্লর ৫০০০ গী শেলগী মনা লৈবা এসিয়ান টুর ৱুমেন্স টেন্নিস টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা ফাইনেল মেটচতা ইন্দিয়াগী শান্নরোই ইটি মেহতানা চেম্পিয়ন ওইখ্রে।

ঙসি দি এল টি এ কমপ্লেক্সতা শান্নখিবা এসিয়ান টুর ৱুমেন্স টেন্নিস টুর্নামেন্টকী ফাইনেল মেটচ অদুদা ইন্দিয়াগী টুর্নামেন্ট অসিদা মকোক থোংবা শান্নরোই ওইখিবী রিসিতা সুনকরাবু ৬–৪, ৬–১ দা থোইদুনা ইটি মেহতানা মহাক্কী কেরিয়রগী অহানবা টুর টাইটল অদু লৌবা ঙমখি।

টুর্নামেন্ট অদুগী ফাইনেল মেটচকী মাঙওইননা মকোক থোংবা শান্নরোই ওইখিবী রিসিতা সুনকরানা ইটি মেহতাগা ফাইনেল মেটচ অদু লম্বা অহানবা সেট অদু য়াম্না মান্নবা মওংদা লৈনরম্বদগী মেহতানা সুনকরাগী সার্ভিস গেম অমা ব্রেক তৌদুনা ৬–৪ দা থোইখি। মদুগী মতুং ইটি মেহতানা অনীশুবা সেটতা রিসিকা সুনকরাবু ৬–১ দা থোইদুনা এসিয়ান টুর টেন্নিস টাইটল অদু লৌখিবনি।












Printed and Published by Waikhom Meghachandra Singh on behalf of Nongpok Publishers Pvt.Ltd from Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Printed at Advance Printers, Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Editor: **H. Achouba Sharma**, Jt. Editor: N. Krishnamohon Singh RNI Registration No. 31350/ 77; Tel # 2459064, *e-mail : sanaleibakdaily@yahoo.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com*